ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
# হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, মার্চ ০৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৪১শুবা মশীং

## ওপরেসনদি মায় পাকখি অনাবদি শিখি

লৈবাকসিগী পার্লিয়ামেন্টকী য়াওনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলশিংগী ওইবা থৌবুসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) নি। মসিমক্না লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসননা অমসুং রিপ্রজেন্টেসন ওফ পীপলস এক্ট, ১৯৫০ অমদি ১৯৫১গী প্রোভিজনশিংনা ঈ সী আইগী মথৌ শংলিবনি, মপাঙ্গল হাপলিবনি। দেমোক্রেসিগী লৈঙাকলোন লিংনবা মীহুৎ খনবগী থবক-থৌরম পূম্মনক ঈ সী আইদা পুল্লপ কোকথোংনরিবনি। মসিমক্না কম্মিসননা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ ইলেক্টোরল ওফিসর (সী ঈ ও) শিংগা খূৎশম্নদুনা পার্লিয়ামেন্টরি অমসুং লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংগী মীখলশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি। মসি ওইরগসু ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মীখলগী থবকশিংদি মাগী মাগী সী ঈ ও অমসুং মহাক্কী খূৎপুনা হকথেংননা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি। হন্দক্কী মণিপুরগী ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলসু অদুমঙাই। সী ঈ ও, মণিপুরগী কাঙবুনা অরাংফম ওইদুনা পাঙথোকখ্রিবনি। অদুনা মীখলসিগী তেকচাক পূম্নমক লাপ্না লৈবা ঈ সী আই অমসুং নক্না লৈরিবা সী ঈ ও, মণিপুরদা নমশিনফম থোকই। মরমদি পাঙথোকখ্রিবা মীখলদু করি ওইখ্রবগে? শুপ্নতগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০ খক্তনি। মীখল পাঙথোকমিন্নরিবশিংগী মনুংদা য়েংলবসু সেগমেন্ট অমদা লম্বা তৌনবা মীরেপশিং মশীং মণিপুরনা হন্থখি। হায়বদি মীখলগী পোৎলুম ময়েং তাখি। মসিগী মথক্তা সিট ৬০ খক্তমক লৈবসিসু তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোকখ্রিবনি। মসিনা সিক্যুরিটি দিপ্লোইমেন্টদা, পোল্লিং পর্সনেলশিংদা অমসুং ঈ ভি এম অমদি ভি ভি পেট মেছিনশিংদা ফাওবা য়াম্না খুদোং চাহনখ্রিবনি। য়াম্না কোম্না তয়াঙ-তয়াঙনা পাঙথোকপা য়াখিবা ইলেক্সননি। অদুবু অদুমক্তি থোকখিদ্রে। পোল্লিং ষ্টেসন খরদা প্রোক্সি অমসুং বোগস ভোটিংগী থৌওং চত্থনখি। মাঙজিল থাবা পোলিটিকেল পার্টিশিং শৌগৎনবা মীওইশিংনা বুঠ কেপচর তৌনখি। ঈ ভি এম মেছিনশিং শীংকুপ শানা য়ানখায়দুনা থুগাইবা য়াওনখি। মসিমক্না ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২২দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৩৮গী ফর্ষ্ট ফেজগী মীখল মতুংদা পোল্লিং ষ্টেসন ১২গী রি-পোল পাঙথোকখি।

অদুবু অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংসিনা মণিপুরগী ইলেক্সনগী অহানবা অমসুং অরোইবা থৌদোকশিং ওইখিদে। মার্চ ৫, ২০২২দা পাঙথোকখিবা অনীশুবা অমসুং অরোইবা ফেজগী মীখলদদি অমুক্কা হেন্না শাথিরকখি। ৪৭-কারোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৪৯ ঙমজু ভিলেজগী য়ু জে বি স্কুলদা হাংবা পোল্লিং ষ্টেসনদগী ঈ ভি এম লাক্লগা চেন্নবা হোৎনবনি হায়বা মীওই অনী সেন্ত্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সিক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ) কী পর্সনেলশিংনা কাপ্পদা মীওই অমা শিখি, অমনা শোকখি। ভোট থাদনবা হৌগদবা পুংফমগা ইরাপ-লাপ্নদনা ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা মশাগী চহী ২৫ রোমদা ঙাইরিবা নহা অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। য়ূম খরা মৈ থাখি, খরনা শিদোকখি। গাড়ী মচা অমসুং অচৌবা খরসু তাঙ্গোই ওনখি। অপূনবা এসেমলি সেগমেন্ট ২২গী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মনুংদগী ১২গী ঈ ভি এমশিং থুগাইদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। মীখল পাঙথোকখিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি পূম্নমক্তা পাক শন্না হেক্তমক মপু পান্দবদৌনা থোকখিবমক নৎত্রবসু থোকহন্নীংদবা অমসুং পামদবা মীশি-মীনা য়াওবা থৌদোকশিংদি থোকখি হায়বনি। থৌওংসিদি ওপরেসন মায় পাক্না পাঙথোক্লে, অনাবদি শিরে হায়বগী থৌদৌদুনি। মসি হায় হায়দুনা ঈ সী আই অমসুং সী ঈ ও, মণিপুরনা মীখল অসিগীদমক লৌখৎখ্রিবা থৌরাংশিং অমসুং পাঙথোকখ্রিবা থবক পূম্নমক উৎতা ঘি হৈজিনবগী ৱাফমদি নত্তে। হোৎনদে, থৱায় য়াওনা তৌখিদে হায়বা নত্তে। হোৎনখি, তৌখি অদুবু মীশি-মীনা য়াওখি, অকাই অতোই থোকহনখি। অহানবা ফেজদৌনা সেকেন্দ ফেজদসু রি-পোলগী মথৌ তাহনখি হায়বগী ৱানি। থৌওংসিদি থবকসু ৱানা পাঙথোকপা অদুগা মীৱাসু তাবা, লাল্লুপসু কাবা, ৱাশাসু চাবা হায়বদুগী ফীভমনি হায়বনি। থোকখ্রিবা থৌদোকশিংদু ঈ সী আই অমসুং সী ঈ ও, মণিপুরনা থৌওইনা ইনশিল্লগা থোকহনবনি হায়বসু নত্তে। অদুবু লৌখৎখিবা, পাঙথোকখিবা থবক্তা হঙ্গাম চাম্নবা পোল্লাংবু চেঙজামুক ওইনা শীজিন্নরগা চেঙ চাম্বগী থৌওং চত্থখিব্রা হায়বসিমদি হংদবা য়ারোই। অদুবু হায়ন-হায়ননা হৌজিকপুদি হন্দোক-হঞ্জিন তৌনবা খরা য়াওরবসু পাঙথোকখ্রিবা মীখলসিগী ভোট মশীং থিগদবা নুমিৎ নকশিল্লক্লে। মশীং থিবা লোইদুনা লাউথোক্লবদি ইলেক্সন প্রোসেসসু পূন্লোই লোইশিল্লগদবনি। মতুংদদি থোরক্তনবা হোৎনৌ, হন্দক্কী অসিনা পারা ওইহৌ হায়বনি। মীখলগী থবক্তা য়ৈখাই থিনগাইরক্লগদি কদাই ফাওবা চৈরাক পীবা য়াই হায়বদুসু খঙহল্লু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৭

১) অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬০দা ফোঙবা *‘‘অমাইবা’’* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
২) **‘‘অমেরিকাগী ঈশৈ’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩) **‘‘মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম’’** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেলদা কনানা ইবা লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?
৪) *‘‘ৱারী শীংবূল্লক্তগী’’* হায়বা অঙাংগী ওইবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৫) *‘‘লৈকংলা’’* হায়বসিগী অইবসি কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।
লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অথোৎপা পোৎশিংবু রোবোটিক্স অমসুং কম্প্যুটিংদা শীজিন্নবা

সাইন্সকী খোঙচৎ


**কুঞ্জো নাওরেম**


Rui Zhang

কম্প্যুটিংগী য়ূম্ফম অসি AND গেটস অমসুং OR গেটসকুম্বা, লোজিক ওপরেসনশিংনা ওই। অসিগুম্বা ওপরেসনশিংসি পাঙথোক্লবগীদমক ইলেক্ট্রোনশিংগী মতেং দরকার ওইরিবা, সেমিকন্দক্টর-বেজদ ইন্টগ্রেটেদ সর্কিট (IC) শিংনা হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা টেক্নোলোজিশিংগী য়াংলেন শরূ ওই। অদুবু অনৌবা অমা ওইনা, হৌখিবা চহী তরামুক্কী মতমসিদা, অথোৎপা মেটরিএলশিং শীজিন্নবগী মরু ওইরবা খুমাঙ চাওশিল্লকপশিংনা অথোৎপা রোবোটশিং অমসুং হকচাংদা নপশিনবা নৎত্রগা খুদাংদা শীবা য়াবা ইলেক্ত্রোনিক দিভাইসশিংনা অথোৎপা রোবোটশিং অমসুং হকচাংদা নপশিনবা নৎত্রগা খুদাংদা শীবা য়াবা ইলেক্ত্রোনিক দিভাইসশিংদা পূক্লিং লুপশিনবগী চাং হেনগৎহল্লক্লি। অদুম ওইনমক, অসিগুম্বা সিষ্টমশিংসি লিরবা ইলেক্ত্রোনিক দিভাইসশিংগা লোয়ননা কন্ত্রোল তৌই। অদুবু, য়ুনিভর্সিটি ওফ চিকাগো Pritzker School of Melecular Engineering গী থিজিন লূপ অমনা অহানবগী ওইনা মহী ওইবা ক্রিষ্টল অমবু লোজিক ওপরেসনশিং পাঙথোকহন্নবগীদমক দরকার ওইরিবা মচাকশিংদুবু দিজাইন তৌবগী মওংদু উৎপা ঙমখ্রে।

‘‘সাইন্স এদভান্সেস’’ (ফেব্রুৱারী ২৩, ২০২২) দা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না, থিজিন-লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা অসিনা হৌজিকমক্কী ওইনা ত্রান্সিষ্টরশিং নৎত্রগা কম্প্যুটরশিং শাবা ঙমদ্রবসু, মখোয়গী টেক্নিক অসিনা সেন্সিং, কম্প্যুটিং অমসুং রোবোটিক্সতা অনৌবা ফঙ্কসনশিং পাঙথোকপা ঙম্বা দিভাইসশিং শেমগৎনবগী লম্বীদি য়াৎপা ঙম্লে হায়রি। মোলিক্যুলর এঞ্জিনিয়রিংদা Liew Family Professor অমসুং অর্গোন নেসনল লেবোরেটরিদা সেনিয়র সাইন্টিষ্ট ওইরিবা Juan de Pablo না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, গেটস, এমপ্লিফায়র অমসুং কন্দক্টরশিংগুম্বা সর্কিট অমগী বিল্ডিং ব্লোকশিংবু শেমঘৎপা ঙম্লকপা হায়বগী ৱাহন্থোক্তি মখোয়সিবু পুনশিন্নহল্লগা হেন্না কমপ্লেক্স ওইবা ওপরেসনশিং পাঙথোকহনবা ঙম্লগনি হায়বসিনি। মসিমক য়াম্না মরু ওইরবা খোঙথাং অমনি।

ক্রিষ্টল নৎত্রগা ক্রিষ্টলাইন সোলিদ হায়বসি এটম, মোলিক্যুল নৎত্রগা আইওনশিংনা য়াম্না মথং-মনাও নাইবা মওং অমদা শীন্দোক্তুনা লৈরগা, ক্রিষ্টল লাটিসশিং শেম্বা অমসুং লাটিসশিংদুনা মথং-মথং শমজিন্নরগা শেম্বা মপং ওইবা পোৎ অমনি। অদুগা লিক্বিদ ক্রিষ্টল হায়বসিনা ঈশিংগুম্বা মহীশিং অমসুং সোলিদ ক্রিষ্টলশিংগী মরক্কী মগুণশিং চেনবা ষ্টেট অমনি। খুদম ওইনা লিক্বিদ ক্রিষ্টল অমনা ঈশিংগুম্না চেনবা য়াই অদুবু মসিগী মোলিক্যুলশিংদু ক্রিষ্টলগা মান্নবা মওং অমদা লৈ। সাইন্টিষ্টশিংনা অসিগুম্বা তোপ-তোপ্পা মগুণশিং চেল্লিবা পোৎশিংদা পূক্লিং লূপশিল্লকখি মরমদি অসিগুম্বা তোঙানবা মগুণশিংসিবু অনৌবা টেক্নোলোজিশিংগী য়ূম্ফম ওইনা শীজিন্নৈ। খুদম ওইনা, হৌজিক ঐখোয়না LCD, TV, স্মার্টফোন অমসুং লেপটোপকী স্ক্রিনদা লিক্বিদ ক্রিষ্টল দিসপ্লে (LCD) উবা ঙম্লে।




অসিগুম্বা তোপ-তোপ্পা মোলিক্যুলর ওর্দর অসিনা ওইহল্লক্লিবদি, ওর্দরদা রিজনশিংনা অমগা অমগা থেংজিন্নদুনা মখোয়গী লৈফমশিংদু চুশিন্নহল্লক্তবা ঙম্বা, সাইন্টিষ্টশিংনা ‘তোপোলোজিকল দিফেক্টশিং’ কৌনরিবা দিফেক্টরশিংসি লিক্বিদ ক্রিষ্টল পূম্নমক্তা স্পোটশিং ওইনা য়াওই। লিক্বিদ ক্রিষ্টল অদুনা লেঙলকপগা অসিগুম্বা স্পোটশিংসু লেঙলকই। অসিগুম্বা স্পোটশিং ওইনা য়াওই। লিক্বিদ ক্রিষ্টল অদুনা লেঙলকপগা অসিগুম্বা স্পোটশিংসু লেঙলকই। অসিগুম্বা স্পোটশিং অসিবু ঐখোয়না শীজিন্নরিবা ফোন নৎত্রগা লেপটোপকী সর্কিটশিংদা ইলেক্ত্রোনশিংনা তৌরিবা মথৌদুগা মান্নবা মওংদা ইনফোর্মেসন থাদোক-থাজিন তৌবদা শীজিন্নবা য়াগদ্রা হায়বগী খৌরাংবসি থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংদা পোক্লকখি। অসিগুম্বা দিফেক্টশিংদগী টেক্নোলোজি অমা শেমগৎনবগীদমক মখোয়বু পাল্লিবা মায়কৈরোমদা পুদুনা চৎপা ঙম্বা তাই অদুগা মখোয়গী মচৎসিবু লাকশিন্দুনা অপান্বা মায়কৈদা পুবা হায়বসি য়াম্না লুবা অমনি। মাইক্রোস্কোপ অমনা অসিগুম্বা লিক্বিদ ক্রিষ্টল অমবু য়েংবা মতমদা দিফেক্টশিংসিনা মফম অমদগী অতোপ্পা অমদা হোংখিবসি থেংনগনি হায়বা de Pablo না ফোঙদোক্লি।

হৌখিবা চহীদা, মতমদুদা Pritzker School of Molecular Engineering দা পোষ্ট-দোক্টরেল স্কোলর ওইখিবা Rui Zhang না লুচিংবা de Pablo গী লেবকা, য়ুনিভর্সিটি ওফ চিকাগোগী প্রোফেসর মার্গরেট গার্দেলগী লেব অমসুং ষ্টানফোর্দকী প্রোফেসর Zev Bryant গী লেবকা খূৎশম্নরগা, অসিগুম্বা তোপোলোজিকল দিফেক্টশিংবু লাকশিন্নবগী টেক্নিকশিং পুথোকপা ঙমখি। অকক্লবা মফমশিংখক্তদা মঙাল অমনা য়ৈহল্লগা লিক্বিদ ক্রিষ্টলদুদা পীশিল্লিবা এনর্জিদুবু লাকশিনবা ঙম্লবদি, দিফেক্টশিংদু পাল্লিবা মায়কৈদুদা চৎহনবা য়াই হায়বদু উৎখি। মখোয়না লম্‌সিদা হেন্না মমুৎ তানা নৈনরবা মতুংদা, লিক্বিদ ক্রিষ্টলশিংনা কম্প্যুটর অমগুম্না ওপরেসনশিং পাঙথোকহনবদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়বসি খঙলকখি।

অসুম্না পুথোরক্লিবা দিফেক্টশিং অসিগী সর্কিট অমদা লৈরিবা ইলেক্ট্রোনশিংগী মগুণগা মান্নবা কয়ামুক লৈ - মখোয়বু চৎহনবা য়াই, এমপ্লিফায় তৌবা য়াই অমসুং ত্রান্সিষ্টর গেট অমদা তৌবগুম্না মখোয়না চৎলিবদুবু থিংবা নৎত্রগা মখা তানা চৎহনবা য়াই; মসিনা তাক্লিবদি মখোয়বু হেন্না সোফিষ্টিকেটেদ ওইবা ওপরেসনশিংদা শীজিন্নবা য়াই হায়বসিনি। কালক্যুলেসনশিংনা অসিগুম্বা সিষ্টমশিংসি কম্প্যুটেসনগী থবকশিংদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়রবসু, সোফ্‌ট রোবোটিক্সকুম্বা লম্‌শিংদা হেন্না কান্নবা মওংদা শীজিন্নবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না হৌজিক্না হোং কোং য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরিবা জাংনা হায়রি। থিজিন-লূপ অসিনা অকনবা ধাতু নৎত্রগা প্লাষ্টিক্কুম্বনা শাবগী মহুত্তা, অথোৎপা পোৎশিংনা শাবা রোবোটশিংদা অকনবা মীৎয়েং থল্লি, মরমদি মখোয়গী চিংথোকপা অমসুং কোন্থোক-কোনশিন য়াবদুনা মরম ওইরগা, অকনবা পোৎশিংনা শাবা রোবোটশিংনা পাঙথোকপা ঙমদবা থবকশিং পাঙথোকহনবা য়াগনি।


Juan de Pablo

মসিগা ইরোয়ননা অসিগুম্বা লিক্বিদ ক্রিষ্টলশিং শীজিন্নরগা মশাগী ওইজবা ‘থিঙ্কিং’ খরমখৈ লৈজবা রোবোটশিং শাবগী মঙসু মঙলি।

অতোপ্পা অমরোমদা, থিজিন লূপ অসিনা তোপোলোজিকল দিফেক্টশিং শীজিন্নরগা য়াম্না পীকপা দিভাইসশিংগী মনুংদা মফম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা মহী ওইবা নৎত্রগা অতোপ্পা পোৎশিংগী য়ামদবা চাংশিংবু পুরগা চৎহনবা য়াগনি হায়বগী থাজবসু থল্লি। অহিংবা সেল অমগী মনুংদা মহৌশাগী ওইবা থৌওংনা ইনফোর্মেসন নৎত্রগা পোৎ অমবু মফম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা থাখিবগী মতৌগুম্না, খূৎশেমগী সেল অমগী মনুংদা মথৌশিং পাঙথোকহনবা য়াগনি হায়না জাংনা মখা তানা ফোঙদোক্লি। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### এম এল এ ৬০গী ৱাখল

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ষ্টেটসিদা ১১শুবা বিধান সভা ফাওবদা এন বিরেননা কুনমরিশুবা চীফ মিনিষ্টরনি। ১২শুবা বিধান সভাগী ইলেক্সন মমাঙ ফাওবদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মাগী মাগী মেনিফেষ্টো ফোঙনখ্রে। পোলিটিকেল পার্টি খরদি মীরেপ অমত্তা ফাওবা থাগৎপা ঙমদনা মেনিফেষ্টোদি ফোঙনরি। ফোঙনখিবা (ৱাশকখিবা) মেনিফেষ্টোশিংদি অমত্তা ফুল-ফিল ওইখিদে, মুন্না খন্থরুরগদি হায়নীংঙাই লৈতনা ইকায়নীংঙাইনি। ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লিদরশিং অমদি সেন্টরনা ইরমদম মণিপুরবু য়াম্না লুনা তৌদবা য়াদবনি, লূম্না খনগদবনি হায়বসি ইজরিবা ঐগী ৱাখল্লোননি। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা খ্বাইদগী হেল্লি, হীরম খুদিংমক পার্সেন্টেজগী য়েংবদা। খুদম খরা ওইনা পোত্থোক্তা মহাও লৈবা চেঙ, আলু, তিলহৌ, চনম, মোরোক, কোবি, ঙাতোন, খাবক, পেংবা, শরেং, শঙ্গোম, য়েরূম, ককয়েন, ঙামু, ঙাক্রা, উকাবী অসিনচিংবা পূম্নমক ষ্টেটসিগী পোত্থোক্না লোইনা হেল্লি হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই। হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্‌ট, আর্ট এন্দ কলচর, স্পোর্টস, য়ু পি এস সী এগজামগী পর্সেন্টেজদসু ষ্টেটসিনা হেল্লি। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, কলচরেল য়ুনিভর্সিটি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, এইমস অমসু লৈরগনি হায়না তারে। খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনা ইন্দিয়াগী ঈজৎ ইরমদম মণিপুরনা পুরক্লিবনি হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ঙাক্তনি। মচা মঙা-তরুক পোকপা মপা-মমানা অঙাং অসিমদি শোয়ররোই খনবা অঙাংদা হেন্না শেমনীংবা, লৌ-শঙম মঙা-তরুক উবা লৌমীনা অফবা লৌফম অদুদা হেন্না শেমনীংবা, য়েংনীংবা অদুগুম্না সেন্টরনা ইরমদম মণিপুরবু অতৈ ষ্টেটশিংদগী হেন্না খনফম থোকপনি হায়জরিবসি ইজরিবা ঐগী ৱাখল্লোননি। পূম্নমক অসি খন্থরুরগদি, খ্বাইদগী লাইবক থীবদি লেজিসলেচর ৬০ অসিনা ভোট মমাঙদা মীচম মীয়াম্বু নীংশিংখিবা অদুগুম্না ভোট কারবা মতুংদসু নীংশিংলবদি (ৱাশকখিবশিং) লোয়ননা শক্তি মুন্নদ্রবদি, থৌরি চিংনদ্রবদি, গ্রুপিজম শেম্নদ্রবদি, চীং-তম অমত্তনি খনবগা লোয়ননা সেক্রিফাইসশিং লৈনরবদি, চঙখ্রিবা শেনফম হঞ্জিন্নবা হোৎনদ্রবা, বডজেটকী শেনফম আর্ট এন্দ কলচর, স্পোর্টস, এদ্যুকেসন, হেল্থ, ইথৈ লৌখোং অসিনচিংবা মরু ওইবগী শেনফম হেন্না হাপ্পীরবদি হৌখিবা চীফ মিনিষ্টর কুনমরিগী মমাঙদগী ইরমদম মণিপুর অসি মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইরমগদবনি।

অরোইবা ওইনা পাঙথোকখ্রিবা ১২শুবা বিধান সভাগী চীং-তমগী লেজিসলেচর ৬০ (পোলিসি মেকিং বোদি) অসিনা মহারাষ্ট্রগী দিষ্ট্রিক্ট অমনা হেন্না চাওবা পিকখ্রবা ইরমদম মণিপুরগী খন্থরগা দ্রগকী করবার অমদি করপসন অনী অসিদং মূথৎলবদি সনা লৈবাক মণিপুর অসি মালেমগী লৈবাকশিংনা জঙ্গলদা লৈবা নোংশা (শাহিং চাবা) দগী হেন্না কিন্নগনি হায়না ইজরিবা ঐনা খঞ্জে। লোয়ননা ভোটতা চঙখ্রিবা শেনফমশিং হঞ্জিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা মীচম মীয়ামদা কত্থোকচখ্রবনি খনবীরবদি মথংগী চহী মঙাগী হায়বদি ১৩শুবা বিধান সভাগী ইলেক্সন্দসু মায় পাক্লবগী য়াইফ থৌজাল পীবিবা ওইসনু হায়না তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী*
*তোপ অৱাং লৈকায়*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।